জর্মনিগী মঙলান থুপচিনখ্রে, অর্জেন্টিনা শিনীংচিৎতা হিংহৌরে, মেক্সিকো স্বিদেন্না মায়থীবা পীখ্রে, ক্রোসিয়ানা আইসলেন্দ থোইখ্রে

FIFA WORLD CUP RUSSIA 2018

Today's Match

Japan Vs Poland
Time :- 7.30 p.m.
Senegal Vs Colombia
Time : 7.30 p.m.
England Vs Belgium
Time : 11.30 p.m.
Panama Vs Tunisia
Time : 11.30 p.m.

অর্জেন্টিনাগী রোজোনা মায় পাকপগী পাঞ্জল চনখিবদা মেসিনা হরাউদুনা তোংলি

সাউথ কোরিয়াগী মখূৎতা মায়থীখ্রবা জর্মনিগী শান্নরোয়শিংগী নুংঙাইতবা শক্তম

মোস্কো, জুন ২৭ (এজেন্সী) ঃ ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী কুমজা ২০১৪গী চেম্পিয়ন জর্মনি সাউথ কোরিয়াগী মখূৎতা মায়থীদুনা ৱর্ল্ড কপকী মঙলান থুপচিনখ্রে। অর্জেন্টিনা শিনীংচিৎতা নাইজেরিয়াবু থোইদুনা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে। ক্রোসিয়ানা আইসলেন্দ পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ফিফা ৱর্ল্ড কপকী পুৱারীদা চেম্পিয়ন ৪রক ওইদুনা ব্রাজিলনা চেম্পিয়ন ৫ ওইবগী হেক মথংদা লৈরিবা জর্মনি ঙসি সাউথ কোরিয়াগা শান্নখিবা গ্রুপ এফকী মেচ অমদা পাঞ্জল ০-২দা মায়থীদুনা লৈবাক অদুগী ৱর্ল্ড কপকী মঙলান থুপচিনখ্রে।

জর্মনিগী টিম গ্রুপ এফকী অহানবা রাউন্দদা মেক্সিকোনা মখোয়বু মায়থীবা পীরম্বনি। মদুগী মখা তারকপদা টিম অদুনা স্বিদেনবু ২-১দা থোইরগা ঙসিগী মেচ অদুদা সাউথ কোরিয়াবু থোইদ্রবদি মখোয়গী ৱর্ল্ড কপকী মঙলান লৈরোইদৌবনি।

ঙসি কজান সিটিদা লৈবা কজান ফুটবোল এরেনাদা শান্নখিবা মেচ অদুদা জর্মনিগী মায়কৈদগী মেচ অদু মায় পাক্নবা মখোয়গী অরৈবা পাঙ্গল অমসুং লৌশিং পুথোক্তুনা সাউথ কোরিয়াবু থোইনবা হোৎনরকখি। নাকল অমরোমদা, সাউথ কোরিয়াগী টিম মমাঙদা শান্নখিবা মেচ ২ মায়থীদুনা মখা তাবা ৱর্ল্ড কপকী মঙলান লৈত্রবসু টিম অদুনা চেম্পিয়ন ওইরিবা জর্মনিবু য়াম্না ফজবা মওংদা মায়োক্নখি।

অহানবা হাফ পাঞ্জল চন্নখিদে। অনীশুবা হাফকী মিনট ৪৫ অদুদসু পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখ্রবা মতুং মেচকী ইঞ্জুরি টাইমগী ৩শুবা মিনটতা সাউথ কোরিয়াগী কিম য়োং গোননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা জর্মনিগী মথক্তা মখোয়না হেন্দুনা লৈখি। ইঞ্জুরি টাইম অদুগী ৬শুবা মিনটতা সাউথ কোরিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় সোং হুয়েঙ মিননা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা জর্মনিগী মঙলান থুপচিনখিবনি।

ঙরাং অথেংবদা গ্রুপ দিগী মেচ অমদা অর্জেন্টিনাগী লাইবক লেপকদবা মেচ অদু নাইজেরিয়ানা খূদুম চন্দুনা শান্নবা হৌখি। অর্জেন্টিনাগী মেসিনা শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি। অদুবু অনীশুবা হাফতা নাইজেরিয়াগী মোজেসনা টিম অদুনা ফংখিবা পেনালটি অমা পাঞ্জল ওন্থোক্লগা অর্জেন্টিনাগী মঙলান অদু থৎতুনা থমখিবনি। মেচ লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্লবদা অর্জেন্টিনাগী শান্নরোয় দি মারিয়াগী মহুৎতা চঙলকখিবা মার্কোস রোজোনা শান্নবগী ৮৬শুবা মিনটতা য়াম্না ফজবা বোল্লি অমনা পাঞ্জল ওইহনদুনা নাইজেরিয়াবু মখোয়না ২-১দা থোইদুনা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল রাউন্দ অদু শিনীংচিৎতা য়ৌবা ঙমখিবনি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা গ্রুপ দিগী মকোক্তা লৈরিবা ক্রোসিয়ানা আইসলেন্দবু পাঞ্জল ২-১দা থোইখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ক্রোসিয়াগী বাদেলসনা ৫৩শুবা মিনটতা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা আইসলেন্দবু মাঙজিল থাখি। ৱর্ল্ড কপ অসিদা অহানবা ওইনা ক্বালিফাই ওইদুনা শরুক য়ারকখিবা আইসলেন্দগী মায়কৈদগী চথুরকপা এটেক অমদা ক্রোসিয়াগী পেনালটি মনুংদা পুশিল্লকপা বোল অমা ক্রোসিয়াগী দিফেন্দরনা ফাওল তৌরুবগীদমক পেনালটি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু আইসলেন্দগী জি সিগুরোসন্না ৭৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ১-১দা লৈখি।

শান্নবগী অপীবা মতম মিনট ৯০গী অরোইবা মীকুপ্তা ক্রোসিয়ানা চথুখিবা এটেক অমদা ফংখিবা খুদোংচাবা অমদা টিম অদুগী পেরিসিক্না পাঞ্জল অমা চন্দুনা আইসলেন্দবু ২-১দা থোইরগা গ্রুপ অদুগী মেচ ৩ শান্নবদা ৩মক মায় পাক্লগা ক্রোসিয়া প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা দেনমার্ক্কা লম্বা তৌনরগনি।

ব্রাজিল অমসুং সর্বিয়া মেচ (হাফ টাইম)

মোস্কোগী ওটক্রিটে এরেনাদা ব্রাজিল অমসুং সর্বিয়ানা শান্নখিবা গ্রুপ ঈগী অরোইবা লীগ মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা ব্রাজিলনা সর্বিয়াবু পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈথি। গ্রুপ অদুগী অহানবা মেচ অনীদা ব্রাজিল পোইন্ট ৪ ফংদুনা লাকখিবনি। সর্বিয়ানা পোইন্ট ৩ ফংলিবনি। মেচ অদুগী অথোইবনা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌগদৌরিবনি। ব্রাজিলনা মেচ অদুগী হৌরকপদা বোল হেন্না পায়বা ঙমদুনা সর্বিয়াগী মায়োক্তা এটেক চথুরকপদা ৩৬শুবা মিনটতা কোটিনোনা পীরকপা বোল অমা পোলিনোনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা সর্বিয়াবু মিনট ৪৫গী শান্নবা লোইশিনবদা ব্রাজিলনা ১-০দা মাঙজিল থারি।

স্বিজরলেন্দ অমসুং কোষ্টা রিকা মেচ (হাফ টাইম)

নিজনি নোবগোরোদ ষ্টেদিয়মদা গ্রুপ ঈগী অতোপ্পা মেচ অমদা স্বিজরলেন্দ অমসুং কোষ্টা রিকা লম্বা তৌনরি। স্বিজরলেন্দ মমাঙদা সর্বিয়াবু মখোয়না থোইদুনা অমদি ব্রাজিলগা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৪ ফংলিবনি। মখোয়না ৱর্ল্ড কপ অদুগী মঙলান লোইশিনখ্রবা কোষ্টা রিকাগা শান্নখিবা গ্রুপ অদুগী অরোইবা লীগ মেচতা হৌবদগী ফজবা হেন্দুনা কোষ্টা রিকাগী মায়কৈদা বোল তোয়না পুশিনবা ঙমথি। মেচ অদুগী ৩১শুবা মিনটতা টিম অদুনা পুশিল্লকপা বোল অমদা ব্লেরিম জেমাইলিন্না য়াম্না ফজবা পাঞ্জল অমা চন্দুনা কোষ্টা রিকাবু মখোয়না অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈরি।

GROUP - A

Pos	Team	P	W	D	L	GF	GA	GD	Pts
1.	**Uruguay**	**3**	**3**	**0**	**0**	**5**	**0**	**+5**	**9**
2.	**Russia**	**3**	**2**	**0**	**1**	**8**	**4**	**+4**	**6**
3.	S. Arabia	3	1	0	2	2	7	-5	3
4.	Egypt	3	0	0	3	2	6	-4	0

GROUP - B

Pos	Team	P	W	D	L	GF	GA	GD	Pts
1.	**Spain**	**3**	**1**	**2**	**0**	**6**	**5**	**+1**	**5**
2.	**Portugal**	**3**	**1**	**2**	**0**	**5**	**4**	**+1**	**5**
3	Iran	3	1	1	1	2	2	0	4
4.	Morocco	3	0	1	2	2	4	-2	1

GROUP - C

Pos	Team	P	W	D	L	GF	GA	GD	Pts
1.	**France**	**3**	**2**	**1**	**0**	**3**	**1**	**+2**	**7**
2.	**Denmark**	**3**	**1**	**2**	**0**	**2**	**1**	**+1**	**5**
3.	Peru	3	1	0	2	2	2	0	3
4.	Australia	3	0	1	2	2	5	-3	1

GROUP - D

Pos	Team	P	W	D	L	GF	GA	GD	Pts
1.	**Croatia**	**3**	**3**	**0**	**0**	**7**	**1**	**+6**	**9**
2.	**Argentina**	**3**	**1**	**1**	**1**	**3**	**5**	**-2**	**4**
3.	Nigeria	3	1	0	2	3	4	-1	3
4.	Iceland	3	0	1	2	2	5	-3	1

GROUP - E

Pos	Team	P	W	D	L	GF	GA	GD	Pts
1.	Brazil	2	1	1	0	3	1	+2	4
2.	Switzerland	2	1	1	0	3	2	+1	4
3.	Serbia	2	1	0	1	2	2	0	3
4.	Costa Rica	2	0	0	2	0	3	-3	0

GROUP - F

Pos	Team	P	W	D	L	GF	GA	GD	Pts
1.	**Sweden**	**3**	**2**	**0**	**1**	**5**	**2**	**+3**	**6**
2.	**Mexico**	**3**	**2**	**0**	**1**	**3**	**4**	**-1**	**6**
3.	S. Korea	3	1	0	2	3	3	0	3
4.	Germany	3	1	0	2	2	4	-2	3

GROUP - G

Pos	Team	P	W	D	L	GF	GA	GD	Pts
1.	**England**	**2**	**2**	**0**	**0**	**8**	**2**	**+6**	**6**
2.	**Belgium**	**2**	**2**	**0**	**0**	**8**	**2**	**+6**	**6**
3.	Tunisia	2	0	0	2	3	7	-4	0
4.	Panama	2	0	0	2	1	9	-8	0

GROUP - H

Pos	Team	P	W	D	L	GF	GA	GD	Pts
1.	Japan	2	1	1	0	4	3	+1	4
2.	Senegal	2	1	1	0	4	3	+1	4
3.	Colombia	2	1	0	1	4	2	+2	3
4.	Poland	2	0	0	2	1	5	-4	0

১৩শুবা ষ্টেট লেভেল এলেভেন মেন্স ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

এল এস এ এফ সী অচানবীগৈনা কে এফ সী কোন্থৌজম্বু গোল ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস) ঃ ব্রাইটর ক্লব, অৱাং পোৎশংবম খুলেন্না চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা ফুটবোল টুর্নামেন্ট চহীসিগী ওইনা পাঙথোক্লিবা ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল এলেভেন মেন্স ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এল এস এ এফ সী অচানবীগৈনা কে এফ সী কোন্থৌজম্বু গোল ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২০না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল এলেভেন মেন্স ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী তরুকশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী এল এস এ এফ সী অচানবীগৈ অমসুং কে এফ সী কোন্থৌজম শান্নখি।

মেচ অদু হেক হৌরকপদগী লোইবা ফাওবা এল এস এ এফ সী অচানবীগৈনা লাকচরপ তৌনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা এল এস এ এফ সীনা গোল ৩-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী হৌনা কে এফ সীগী মায়কৈদগী এল এস এ এফ সীনা অহানবা হাফতগী হৌনা মাঙজিল থাদুনা লাক্লিবা গোলশিং অদু হন্দে দাক্লবা কন্না হোৎনরকখি। অদুবু এল এস এ এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদু খংলাক লাকশিন্দুনা শান্নরকপা উখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এল এস এ এফ সীনা কেএফসীবু গোল ৫-১দা মায়থীবা পীখি। এল এস এ এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ এস বিক্রম্না মেচকী ২৭শুবা অমসুং ৫৬শুবা মিনটতা গোল ২, জর্সি নম্বর ১৫ এস মনিমোহন্না মেচকী ১৫শুবা, জর্সি নম্বর ১৭ এল সঙ্করনা মেচকী ১৮শুবা অমসুং জর্সিনম্বর ১৮ ৱাই জেমসনা মেচকী ৩১শুবা মিনটতা গোল অমমম চনখি। মায়থীহৌরবা কে এফ সীগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১১ কে জোনসন্না মেচকী ৪৬শুবা মিনটতা চনখি।

২শুবা এম সী এ টি-২০ লুৱাংপোকপা ত্রোফি ২০১৮

সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমসুং পি সী সী ময়ায় কোয়বী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন্না শিন্দুনা লুৱাংশঙবমদা লৈবা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম অমসুং লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা অনীশুবা এম সী এ টি-২০ লুৱাংপোকপা ত্রোফি ২০১৮ ঙসি লুৱাংশঙবমদা লৈবা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচশিংদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমসুং পি সী সী ময়ায় কোয়বী মায় পাকখ্রে।

টিম ২০না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা অনীশুবা এম সী এ টি-২০ লুৱাংপোকপা ত্রোফি ২০১৮গী ১৩শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিলগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রিগাও অমসুং পি সী সী ময়ায় কোয়বী শান্নখি। মেচ অদু পি সী সী ময়ায় কোয়বীনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা পি সী সীনা ওভর ১০দা ৱিকেট লোইনা তুরগা রন ৭৩ লৌখি। পি সী সীগী গিপসন্না বোল ১৪দা রন ১৩, রঞ্জন্না বোল ১১দা রন ১১ অমসুং রাকেসনা বোল ১২দা রন ১১ লৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা কে আই আই সীগী মনিস অমসুং অবদুলানা ৱিকেট ২/২ অমদি কুরবান, নিসিকান্তা অমসুং অবদুল হমিদনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রিগাওনা ওভর ১০দা ৱিকেট ৮ তুরগা শুপ্পতগী রন ৫৫ লৌদুনা মেচ অদু পি সী সীনা রন ১৮দা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুদা ৱিকেট অমা অমসুং রন ১১ লৌবা ঙমখিবা পি সী সীগী রঞ্জন্না মেন ওফ দি মেচ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিলগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমসুং সী দি সী শগোলবন্দ শান্নখি। মেচ অদু সী দি সী শগোলবন্দনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা সী দি সীনা ওভর ১৫দা ৱিকেট লোইনা তুরগা রন ৬৫ লৌখি। এস দি সীগী ললিৎনা বোল ২৬তা রন ৩০ লৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা সাইক্লোনগী অক্সে কুমারনা ৱিকেট ৫, কিষন্না ৱিকেট ৩ অমসুং বিসালনা ৱিকেট ১ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ওভর ১৩.৩দা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ৬৬ লৌদুনা মেচ অদু সাইক্লোন্না ৱিকেট ৭তা মায় পাকখি। সাইক্লোনগী গোপাল ৱাংমোনা বোল ২৬তা রন ২২ অমসুং অক্সে কুমারনা বোল ৯দা রন ১৩ লৌখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা সী দি সীগী এদেন, বোব অমসুং প্রিন্সনা ৱিকেট অমমম লৌখি। মেচ অদুদা ৱিকেট ৫ লৌবা ঙমখিবা সাইক্লোনগী অক্সে কুমারনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

অহানবা ষ্টেট লেভেল ইবুধৌ নোংশাবা ৭ এ-সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

এলেভেন ষ্টার করাম মখা অমসুং এম এস এফ সী হৈঙাং দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচএন এস) ঃ করাম অৱাং লৈকায় য়ঙক্লব (কেএ এলৱাইসি) করামনা শিন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবদা লৈবা করাম কাংজেবুং লম্পাক্তা পাঙথোকপা অহানবা ষ্টেট লেভেল ইবুধৌ নোংশাবা ৭ এ-সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এলেভেন ষ্টার করাম মখা অমসুং এম এস এফ সী হৈঙাং দ্রো চৎখ্রে। অদুগা ঐচএন এস সী হাওরৈবী ৱাক ওভর ফংখ্রে।

তোঙান-তোঙানবা টিম ২০ শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা অহানবা ষ্টেট লেভেল ইবুধৌ নোংশাবা ৭ এ-সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ১৩শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবগী গ্রুপ বিগী ঐচ এন এস সী হাওরৈবী অমসুং এম পি এস সী পাঙ্গৈ শান্নগদবা মেচ অদু এম পি এস সী লাক্তবদগী টুর্নামেন্ট অসিদগী স্ক্রেচ আউট তৌখিবদগী মেচ অদু ঐচ এন এস সী হাওরৈবিনা ৱাক ওভর ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৪শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবগী গ্রুপ বিগী এলেভেন ষ্টার করাম মখা অমসুং এম এস এফ সী হৈঙাং শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি।

অহানবা হাফকী ৭শুবা মিনটতা এলেভেন ষ্টারগী জর্সি নম্বর ৮ জিম্না গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাখি। মেচকী ১৯শুবা মিনটতা এম এস এফ সীগী জর্সি নম্বর ৭ নাওবনা এলেভেন ষ্টারগী গোল অদু হন্দোক্তুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল ১-১দা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ২৭শুবা মিনটতা এম এস এফ সীগী জর্সি নম্বর ৯ সিটনজিৎনা গোল অমা চল্লগা মেচ অদু এম এস এফ সীনা গোল ২-১দা অমুক মাঙজিল থাখি। মেচকী ৪০শুবা মিনটতা এলেভেন ষ্টারগী জর্সি নম্বর ৬ আনন্দনা এম এস এফ সীগী মাঙজিল থারিবা গোল অদু হন্দোক্তুনা গোল ২-২দা ইক্বেলাইজ তৌখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এলেভেন ষ্টার অমসুং এম এস এফ সী গোল ২-২দা দ্রো চৎখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ১৫শুবা মেচ ওইনা গ্রুপ সীগী পান্থোইবী এফ সী অমসুং ককশা শান্নগদবা মেচ অদু খুদোংচাদবা মরম খরদগী মেচশান্নখিদ্রে।

৪শুবা এ এফ সী ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

বোবি এফ সী পাৎশোই মায় পাকখ্রে, সোনালিকা এফ সী কোনুং মমাঙ অমসুং নাইন সাইনিং ষ্টার দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস) ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা অথোকপম ফুটবোল ক্লব, অথোকপম্না শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ৪শুবা এ এফ সী ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা বোবি এফ সী পাৎশোই মায় পাকখ্রে। সোনালিকা এফ সী কোনুং মমাঙ অমসুং নাইন সাইনিং ষ্টার দ্রো চৎখ্রে। অদুগা বোলেরো এফ সী ৱাক ওভর ফংখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৬না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্লগা পাঙথোকপা ৪শুবা এ এফ সী ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ১৩শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.২০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ দিগী নাইন সাইনিং ষ্টার অমসুং সোনালিকা এফ সী কোনুং মমাঙ শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা বোল কাওনখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল অমত্তা চন্নখিদে।

অনীশুবা হাফকী ৩৫শুবা মিনট ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতগী হেন্না য়াঙনা শান্নরবসু গোল চন্নবা ঙমদনা অদুমক লৈখি। মেচকী ৩৮শুবা মিনটতা সোনালিকা এফ সীগী জর্সি নম্বর ৬ জুলিয়ান্না মেচ অদুগী অহানবা গোল চন্দুনা মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। নাইন সাইনিং ষ্টারগী শান্নরোয়শিংনসু জুলিয়ন্না চনখিবা গোল অদু হন্দোক্তবা য়াদে মতাগুম কন্না হোৎনরক্তুনা শান্নরকপা উখি। সোনালিকা এফ সীগী মায়কৈদগীসু নাইন সাইনিং ষ্টারনা চথুরক্লিবা এটেকশিং অদু দিফেন্দ তৌনবা কন্না হোৎনখি। অদুবু মেচকী ৪২শুবা মিনটতা নাইন সাইনিং ষ্টারগী জর্সি নম্বর ৬ রাকিবনা সোনালিকা এফ সীগী মাঙজিল থানা চৎলিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোকখি। রকিবনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু নাইন সাইনিং ষ্টার অমসুং সোনালিকা এফ সী গোল ১-১দা লৈখি। গোল ইক্বেলাইজ তৌখ্রবা মতুং টিম অনীগী মায়কৈদগী মেচকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা অহেনবা গোল চন্নবা হোৎনরবসু ঙম্নদনা মেচ অদু গোল ১-১দা দ্রো চৎখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৪শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দগী গ্রুপ দিগী মৈরা এফ সী তেকচম অমসুং বোলেরো এফ সী শিংজমৈ বামোন লৈকায় শান্নগদবা মেচ অদু মৈরা এফ সী মতম চানা লাক্তবদগী বোলেরো এফ সীনা ৱাক ওভর ফংখি।

৪শুবা এ এফ সী ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ১৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৪.১০ তাবগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী বোবি এফ সী পাৎশোই অমসুং য়ু এফ ও তেকচম শান্নখি। মেচ অদু বোবি এফ সীনা য়ু এফ ওবু লাকচরপ তৌনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ১০শুবা মিনটতা বোবি এফ সীগী জর্সি নম্বর ৪ প্রেম্না গোল অমা চল্লগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মহাক্কী টিম্না মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা য়ু এফ ওগী কান্তনা গোল ২ চল্লগা মেচ অদু বোবি এফ সীনা গোল ৩-০দা লৈখি। মেচকী ৫০ প্লস ৱান্দা য়ু এফ ওগী বেনর্জিনা গোল অমা হন্দোক্লবা মতুং মেচ অদু বোবি এফ সীনা গোল ৩-১দা মায় পাকখি।

অনীশুবা ত্রেপ শুটিং কম্পিটিসন ২০১৮ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর রাইফল এসোসিএসন (এম আর এ) গী মীৎয়েং মখাদা হৌখিবা জুন ৯দগী ২০ ফাওবা খুমন লম্পা স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী শুটিং রেঞ্জতা পাঙথোকখিবা ২৮শুবা ওল মণিপুর শুটিং কম্পিটিসন ২০১৮গী শরুক অমা ওইনা ঙসি কোইরেঙ্গৈদা লৈবা বি এস এফ শুটিং রেঞ্জতা অনীশুবা ত্রেপ শুটিং কম্পিটিসন ২০১৮ হৌদোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা মফম কয়াগী নুপী অমা অমসুং নুপা ১৩ পূন্না শুটর ১৪না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা অনীশুবা ত্রেপ শুটিং কম্পিটিসন ২০১৮ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেন্তরগী বি এস এফকী দি আই জি আনন্দনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর রাইফল এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট নোংথোম্বম ইন্দ্রজিৎনা প্রসিদেন্ট, এম টি মণিপুরগী এস পি এম রাজবিহারি অমসুং বি এস এফ কোইরেঙ্গৈগী কম্মান্দেন্ট ঐচ সুবোলনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

বোক্সিংগী সেলেক্সন

ইম্ফাল, জুন ২৭(ঐচ এন এস) ঃ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ঙসি প্রেসতা থোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না মথং থাগী ১২দা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া/স্পিসিয়েল এরিয়া গেমস উৎলৌগী বোক্সিং এরেনাদা ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা শরুক য়ারুনবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী বোক্সিং টিম খনবগী সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লগনি হায়না খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিএসন্দা রেজিষ্টর তৌরবা বোক্সরশিংনা ত্রাইএল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি হায়রি।

LOAN AVAILABLE
NO GUARANTOR
AREA COVER: MANIPUR STATE
TATA SUPER ACE-MINT DELIVER WITHIN 2 DAYS
> EMPLOYMENT NEWS:- MECHANIC-2/W(20-30yrs) Rs.8,000-Rs.15,000/- & SECURITY-GUNMAN(20-30yrs) Rs.6,000-Rs.Rs.17,000/-
> PENSION LOAN (1.5%,2%,2.5% & 3%) P/M
> BUSINESS LOAN (12%)P/A
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
BRANCHES:- SEKMAI KOUJENGLEIMA,SAMUROU NEAR MACHU HALL,KAKCHING IRUM LAMDONG, THOUBAL OKRAM, NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU.
OFFICE HOUR:
10.00AM TO 4.00PM
HL-B/4720/24/6-21/08 (alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com